# লন্দনগী হিথ্রো এয়রপোর্টতা ফাখিবা য়ুরেনিয়ম পেকেজ পাকিষ্টানদগী হৌখিবা নত্তে: ফোরেন ওফিস

ইস্লামাবাদ, জনুৱারী ১২ (এজেন্সী): লন্দনগী হিথ্রো এয়রপোর্টতা ফাখিবা য়ুরেনিয়ম পেকেজ অমা পাকিষ্টানদগী লাকখিবনি হায়না য়ুকেগী মেদিয়া রিপোর্টশিং চুমদে হায়রদুনা শগোলশেল নুমিত্তা পাকিষ্টান ফোরেন ওফিস (এফ ও) না রিজেক্ট তৌখ্রে।

মমাঙগী থাদা হিথ্রো এয়রপোর্টতা থুংলখিবা পেকেজ অমদা য়াম্না য়ামদবা চাংদা য়ুরেনিয়ম দিটেক্ট তৌখি হায়না হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা বৃটিস পুলিসনা ফোঙদোকখিবনি।

মখোয়না পোৎশক অদু হকথেংননা অকিবা পীবা নত্ত্রগা পব্লিক হেল্ঠকী থ্রেট অমত্তগা মরী লৈনবা মান্দে হায়নসু ফোঙদোকখি। দিসেম্বর ২৯ দা রুটিন স্কেনিং চথরিঙৈ মনুংদা ফাখিবা রেদিও এক্তিব নেচরেলগী চাং অদু অদুক্কী মতিক য়ামখিদে অমসুং এক্সপার্টশিংনা মদু করিমত্তা খুদোংথীনিংঙাই ওইদে হায়বা মত পীনখি হায়না লন্দন পুলিসকী কাউন্টর টেররিজম কন্মান্দগী মকোক রিচার্দ স্মিথনা ফোঙদোকখি।

মদুগী মতুংদা ডা সননা ফোঙবা রিপোর্ট অমদা পেকেজ অদু ওমান এয়র পেসেঞ্জর জেটতা য়াওদ্রিঙৈগী মমাঙদা পাকিষ্টানদগী লাকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখি। শিপমেন অদু য়ুকেদা লৈবা ইরানগা মরী লৈনবা ফার্ম অমদা এদ্রেস তৌদুনা থাবনি হায়নসু রিপোর্ট অদুদা পনখি।

ৱাফম অসিগা মরী লৈনবা মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতাংদা এফ ওগী স্পোক্স পার্সন মমটাজ হেরাজ বেলোচনা হায়খি, মদুদি মেদিয়া রিপোর্টশিং অদু ঐখোয়না পারে অমসুং খঙলে। রিপোর্টশিং অদুদা অচুম্বা ৱাফম অমত্তা য়াওদে হায়বসি ঐখোয়না চপ চানা থাজে।

ওফিসল অসিনা মখা তারদুনা হিরম অসিগা মরী লৈননা য়ুকেগী ওথোরিটিশিংনা মখোয়দা ওফিসল ওইনা ইনফোর্মেসন অমত্তা পীরকখিবা লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি।

স্কোটলেন্দ য়ার্দকী স্পোক্স পার্সন অমনা জিও ন্যুজতা হায়খি, মদুদি কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বর ২৯ দা য়ুকেদা লাকপা পেকেজ অমা রুটিন ওইনা স্ক্রিনিং তৌবদা য়াম্না য়ামদবা কন্টামিনেটেদ মেটেরিএল অদু হিথ্রো এয়রপোর্টতা দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা বোর্দর ফোর্সকী কোলিগশিংনা মেটকী কাউন্টর টেররিজম কন্মান্দগী কন্টেক্ট তৌরকখি হায়বসি ঐখোয়না কনফার্ম তৌবা ঙম্মী।

কম্মান্দর রিচার্দ স্মিথনা হায়খি, মদুদি ঐহাক্না মীয়ামদা কন্টামিনেটেদ মেটেরিএলগী চাং অদু অদুক্কী মতিক য়ামদে হায়বসি থাজবা পীবা ঙম্মী। লোয়ননা মদু এক্সপার্টশিংনা মীওইবদা করিমত্তা কিনিংঙাই লৈতে হায়বা মতসু পীরে। ঐখোয়না হিরম অসিগী মতাংদা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথরিবা ওইরবসু হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়গী ইনক্বারিশিংদগী মদু হকথেংননা কিহল্লকপা অমত্তগা মরী লৈনদবগী মওং মাল্লি।

ওফিসল অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি এজেন্সি অসিনা মখা তানা ইনক্বারিদগী ফঙলকপা খুদিংমক কুপ্না য়েংশিনখিগনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা হিরম অসিগা মরী লৈননা মীফা মীপুন অমত্তা তৌবা লৈতে। লোয়ননা ওফিসরশিংনা মখা তানা পার্টনর এজেন্সিশিংগা খুৎশম্নরা থবক তৌমিন্নদুনা মফম অসিবু মপুং ফানা থিজিন্নবা অমদি মীয়ামদা খুদোংথীবা অমত্তা থোকহন্দনবা হোৎনরি।

বোর্দর ফোর্সকী এজেন্টশিংনা পেকেজ অদুবু রেদিও এক্তিব রুম অমদা তোঙান্না থমখি অমসুং মদু য়ুরেনিয়মনি হায়বসি লেপ্পবা মতুংদা কাউন্টর-টেরর পুলিস কৌখিবনি।

য়ুকেগী ন্যুক্লিয়র দিফেন্স রেজিমেন্টগী হান্নগী কম্মান্দর হামিস দে ব্রেটন-গোর্দননা হায়খি, মদুদি য়ুরেনিয়ম্না য়াম্না ৱাংবা থাক্কী ওইবা হুগী মশক ওইরবা রেদিএসন পীবা ঙম্মী। মসি দর্টি বোম শাবদা শীজিন্নবা য়াই।




# ইন্দিয়াগী মারিওন বাইওটেক্না শাবা কফ সিরপশিং শীজিন্নদনবা দব্লিয়ু ঐচ ওনা ৱার্নিং তৌখ্রে

জিনিভা, জনুৱারী ১২ (এজেন্সী): য়ুজবেকিষ্টানদা অঙাং কয়া শিখিবগা মরী লৈনবা ইন্দিয়াগী ফার্মাস্যুটিকেল অমদা শাবা কফ সিরপ অনী শীজিন্নদনবা ৱার্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না ৱার্নিং তৌখ্রে।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা হায়রি, মদুদি মারিওন বাইওটেক্না শাবা প্রদক্টশিং অদু সব ষ্টেন্দর্দ ওই অমসুং ফার্ম অসিনা পোৎশকশিং অদুগী সেফতিগী মতাংদা গরেন্টি পীবা ঙমখিদ্রে। কম্পেনি অসিনা শাবা কফ সিরপ শীজিন্নরুবদগী অঙাং ১৮ শিখ্রে হায়না য়ুজবেকিষ্টাননা ফোঙদোকখিবা মতুং চয়োল খরা কান্নরগা দব্লিয়ু ঐচ ওনা ৱার্নিং অসি লাউথোরকখিবনি।

ফার্ম অসিগী মায়কৈদগী দব্লিয়ু ঐচ ওগী ৱার্নিং অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রি। বি বি সিনা হিরম অসিগী মতাংদা কম্মেন্ট লৌনবা মারিওন বাইওটেক অমসুং ইন্দিয়াগী হেল্ঠ মিনিষ্ট্রি কন্টেক্ট তৌখি হায়রি।

য়ুজবেকিষ্টানদা কফ সিরপশিং অদুগা মরী লৈননা মীশি মীনাশিং থোকপগী পাউ ফঙলবা মতুংদা ইন্দিয়াগী হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিনা কম্পেনি অসিদা পোথোকশিং অদু শাবা লেপহনখি। মারিওন বাইওটেক লৈরিবা নোর্দর্ন ষ্টেট উত্তর প্রদেশকী ফুদ সেফতি দিপার্টমেন্টনসু চয়োল অসিদা কম্পেনি অসিগী প্রদক্সন লাইসেন্স সস্পেন্দ তৌখি।

শগোলশেল নুমিত্তা ইস্যু তৌখিবা এলার্ট অদুদা দব্লিয়ু ঐচ ওনা হায়খি, মদুদি য়ুজবেকিষ্টানগী হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিগী ক্বালিটি কন্ট্রোল লেবোরেটরিশিংনা কফ সিরপ অনী হায়বদি অম্ব্রোনোল অমসুং দোক-১ মেক্স অসিবু এনালাইসিস তৌবা মতমদা দাই ইথিলিন গ্লাইকোল অমসুং/নত্ত্রগা ইথিলিন গ্লাইকোল হায়রিবা কন্টামিনেন্ট অনী অসি খুদোংথীনিংঙাই ওইবা চাংদা য়াওরম্বা থেংনখি।

দাই ইথিলিন গ্লাইকোল অমসুং ইথিলিন গ্লাইকোল অসি মীওইবদা টোক্সিট ওই অমসুং চাশিন থকচিল্লুরবদি শিহনবা ফাওবা য়াই। প্রদক্ট অনী অসি লমদম অসিগী অতৈ লৈবাকশিংদা মার্কেটিং ওথোরাইজেসনশিং লৈরম্বা য়াই। পোথোকশিং অসি ইনফোর্মেল মার্কেটশিংগী খুত্থাংদা অতৈ লৈবাকশিংদা নত্ত্রগা রিজনশিংদা দিষ্ট্রিব্যুট তৌরম্বসু য়াই হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওনা এলার্ট অদুদা পনখি।

মখা তানা এলার্ট অদুনা হায়খি, সব ষ্টেন্দর্দ প্রদক্টশিং শীজিন্নবদা সেফ ওইদে অমসুং মখোয়বু শীজিন্নবা তারবদি মরু ওইনা অঙাংশিংদা অরুবা ফিভমদা মশাদা শোকহল্লকপা নত্ত্রগা মখোয় শিবা ফাওবা য়াই।




# অফঘানিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী মপানদা সুইসাইদ বোম এটেক্তা মীওই মঙা শিখ্রে

কাবুল, জনুৱারী ১২ (এজেন্সী): কাবুলদা লৈবা অফঘানিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী মপানদা চথুরকখিবা সুইসাইদ বোম এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই মঙা শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

বি বি সিগী রিপোর্টনা হায়, হৌখিবা য়ুমশকৈশগী নুমিদাং ৱাইরমদা থোকখিবা এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেট টেরর গ্রুপকী খোরাসান য়ুনিট (আই এস-কে) না গ্রুপ অসিগী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

টালিবাননা লুচিংবা অফঘান গভর্ণমেন্টকী মতুং ইন্না সুইসাইদ বোম্মর অদুনা মিনিষ্ট্রি অদুগী প্রেমিসেসতা চঙনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদে। মফম অদুদা চাইনা অমসুং টর্কিগী য়াওনা লৈবাক অসিগী এম্বেসিশিং লৈরিবনি।

ইটালিয়ন হ্যুমেনিটেরিয়ন এজেন্সি ইম্মার্জেন্সি এন জি ওনা কাবুলদা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি এজেন্সি অসিনা ব্লাষ্ট অদুদা অশোক অপন নঙলবা মীওই ৪০ রিসিপ্ট তৌখি অমসুং মীশি মীনাশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈ।

অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা এনজিও অদুগী কন্ট্রি দিরেক্তর ষ্টেফানো সোজাগী ৱারোল পল্লদুনা টোলো ন্যুজনা হায়, হোস্পিটালদা পেসেন্ট ৪০ গী মথক্তা পুরকখি। পেসেন্টশিং পুরকপা লেপ্তুবনা মখোয়গী মশিং চপ চানা হায়বা ঙমদে। ঐখোয়না অঙম্বা থাক্তা পেসেন্টশিংবু লায়কন্ননবা হোৎনরি। মসি কুমজা ২০২৩ গী ওইনা অসিগুম্বা থৌদোক অমদা পাক্তক্লনা মীশি মীনাশিং থোকপা অহানবনি। মসি কুমজা ২০২২গী অহৌবদগী হৌজিক ফাওবদা এজেন্সি অসিনা চল্লাইবা হোস্পিটালদা পেসেন্ট মশিং খ্বাইদগী য়াম্না পুরকখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদনি।

এটেক অদুদা অশোক অপন নঙলিবা মী মশিং য়াম্মনবদগী ঐখোয়না কিটচনশিং অমসুং কেন্টনদা বেদশিং শেমগৎখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কাবুল সেক্যুরিটি দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেন খালিদ জর্দাননা হায়খি, মদুদি শাথিরবা এটেক অদু টালিবান রেজিম্না কন্দেম তৌই অমসুং মদুদা চেন্নবশিং চৈরাক পীগনি। এটেক অদুবু মফম কয়াদগী পাক শন্না কন্দেম তৌনখ্রে। অফঘানিষ্টানগী হান্নগী প্রসিদেন্ট হামিদ কর্জাইনা ট্বিট অমদা ব্লাষ্ট অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়রদুনা মদু টেররিষ্টকী থবক থৌওংনি অমদি মদু মীওইবা অমসুং ইস্লামিক ভেল্যুশিংগী মায়োক্তা চথুরকপা ফত্তবা থবক্নি হায়খি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ুএন এসিষ্টেন্ট মিশন ইন অফঘানিষ্টাননা হায়খি, মদুদি ভাইওলেন্সনা অফঘানিষ্টানদা তুং কোইনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী সোল্যুসন ওইবা য়ারোই।



# য়ুক্রেনদা অতৈ লৈবাকশিংনা টেঙ্কশিং থারবদি পোলেন্দনসু লেপার্দ টেঙ্কশিং থাগনি

লভিব, জনুৱারী ১২ (এজেন্সী): লান্দারিবা রসিয়াগা শোক্লবা লানদা য়ুমথংনরিবা য়ুক্রেনবু মতেং পাঙবা ওইনা পোলেন্দনা লেপার্দ টেঙ্ক কম্পেনি অমা থাননবা ৱারেপ লৌরে হায়না প্রসিদেন্ট অন্দরজেস দুদানা ফোঙদোকখ্রে।

তৌইগুম্বসুং লভিবতা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লিবা দুদানা হায়খি, মদুদি খোঙথাং অদু কিভতা ইন্টরনেসনেল কোল্লিসন্না টেঙ্ক পীদুনা পাঙবা মতেংগী শরুক অমা ওইনা ওইথোক্কদবা ৱাফম্নি।

পনবা য়াবদি, পোলেন্দগী লুচিংবশিংনা জমর্নিনা শাবা লেপর্দ টেঙ্কশিং য়ুক্রেনদা থাগদৌরিবা ইন্টরনেসনেল কোল্লিসন অমা শেম্নবগী মতাংদা অতৈ লৈবাকশিংগা ৱারী শানরি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না লৈবাকশিং অদুগী মমিংদি পনখিদে।

লভিবতা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা দুদানা হায়খি, মদুদি অসিগুম্বা ইন্টরনেসনেল কোল্লিসন অমগী মনুং চন্না ঐখোয়না টেঙ্কশিংগী ওইবা অহানবা পেকেজ হায়বদি লেপর্দ টেঙ্কশিংগী কম্পেনি অমা কন্ট্রিব্যুট তৌননবা ৱারেপ লৌরে।

পোলেন্দনা পীগদৌরিবা টেঙ্কশিং অমদি অতৈ লৈবাকশিংনা পীগদৌরিবা লেপর্দকী কম্পেনিশিংগা লোয়ননা অতৈ টেঙ্ক কয়াগী মতেংনা য়ুক্রেনগী দিফেন্সকী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লগনি। কম্পেনি অমদা টেঙ্ক ১৪ লৈগদবনি হায়নসু দুদানা পাউমীশিংদা পনখি। দুদা অমসুং লিথুএনিয়াগী প্রসিদেন্ট গিটানাস নাউসেদানা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিগা টেল অভিবতা উন্নখি। মখোয়না উন্নরিবদু লুব্লিন ট্রাইএঙ্গল ওফ মুচুয়েল কোওপরেসনগী মনুং চন্ননি।

জেলেন্সকিনা উন্নবা অদুদা হায়খি, মদুদি লান অদুদা মায় পাক্নবগীদমক্তা য়ুক্রেননা টেঙ্কশিং মরাং কায়না পাম্মী। হিরম অসিগী মতাংদা অপুনবগী ওইবা ৱারেপ অমা লৌরকপদু ঙাইরি। মসি মরু ওইনা শুপ্নগী লৈবাক অমখক্তা ঐখোয়দা টেঙ্ক মশিং মতিক চানা পীবা ঙম্লোইদবা অদুগীনি। লুচিংবা অহুম্না মখোয়গী মরক্তা মখা তাবা ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপকী ৱাফমসু খন্ন-নৈনখি।

নাউসেদানা হায়, লিথুএনিয়া অমসুং পোলেন্দনা মখা তানা য়ুক্রেনদা মিলিটরি, পোলিটিকেল, দিপ্লোমেটিক, ইকনোমিক অমসুং হ্যুমেনিটেরিয়ন সপোর্ট পীননবা ৱারেপ লৌরে।

# ঈকং থোকপা হেনগৎলকপদগী চিঙ্গাক্কী ক্রাইসিস লুশিল্লক্লে হায়না কেনিয়ানা ৱার্নিং তৌখ্রে

নাইরোবি, জনুৱারী ১২ (এজেন্সী): কুমজা ২০২২ গী ওক্তোবরদগী দিসেম্বর ফাওবগী নোংজু থাগী মতমদা নোং চুদবনা মরম ওইদুনা মহৈ মরোংশিং ফেল ওইখিবা অমদি ঈশিংগী ছোর্সশিং কংখিবা লোয়ননা নাপি শিংবিশিং কংখিবনা মরম ওইদুনা কেনিয়াগী মতম শাংনা নোং চুখিদ্রবা কাউন্টিশিংদা চিঙ্গাক্কী ক্রাইসিসকী ফিভম লুশিল্লক্লগনি হায়না সেনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ ইষ্ট অফ্রিকান কম্যুনিটি, এরিদ এন্দ সেমি-এরিদ লেন্দ এন্দ রিজনেল দিভলপমেন্টগী কেবিনেট সেক্রেটরি রেবিকা রিয়ানোবনা হায়খি, মদুদি খ্বাইদগী নৌনা প্রোজেক্সনশিং দ্রাই সিজন অসিগী মনুংদা চাবা ফঙদবা, মালন্যুট্রিসন অমসুং ঈশিং ফঙদবগী প্রোব্লেম লৈবাক শীনবা থুংনা হেনগৎলক্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরি।

অতেনবা নোংজু থাগী মতম হায়বদি ওক্তোবরদগী দিসেম্বর ফাওবদা নোং কা হেন্না লিকখিবনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী এরিদ অমসুং সেমি-এরিদ কাউন্টি ২৩ গী মনুংদা ২২ গী ঈকংগী ফিভম মখা তানা লুনা লৈ হায়না ম্যানোনা কেনিয়াগী কেপিটেল নাইরোবিদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি কা হেন্না লিক্লা নোং চুখিবা মফমশিংদা ঈকং থোকপনা মরম ওইদুনা ফার্মগী শাশিং শিবগী চাং ৱাংলকখিবগা লোয়ননা শা লোইরিবশিংগী ইনকম লাকহনখিদে অমদি চাবা ফংদবা অমসুং মালন্যুট্রিসনগী ফিভম হেন্না লুশিলহনখি।

লৈবাক অসিগী নোং চুখিদ্রিবা অৱাং থংবা আউট পোষ্টশিংদা ফুদ ইন সেক্যুরিটিগী ফিভম হেন্না লুশিল্লকপগা লোয়ননা অঙাংশিংদা চিঙ্গাক মরাং কায়না নত্ত্রগা মচি ওইবা চিঙ্গাক পীজবা ঙমদবগী ফিভম হেন্না লুশিল্লকখিবসি মরু ওইনা নোং চুবদা থিন্থখিবা অমসুং তাফম থোকপা মফমশিংদা নোং কা হেন্না লিকখিবগা লোয়ননা আর্মি ৱার্মতারকখিবদগীনি।

মিয়ানোনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ঈকংনা শোকহল্লবা মীওই মিলিয়ন ৪.৩৫ কীদমক্তা নেসনেল গভর্ণমেন্টনা হ্যুমেনিটেরিয়ন থবকশিং কনখৎনবগীদমক দিবোল্ব য়ুনিটশিং, রিলিফ এজেন্সিশিং অমসুং প্রাইভেট সেক্তরদা পার্টনরশিপ ওইনা থবক তৌননবগী থৌরাংশিং লৌখৎলে। ঈকংনা শোকহল্লবা কম্যুনিটিশিংনা থেংনরিবা অৱাবা কোকহন্নবা লৌখৎকদৌরিবা খোঙথাংশিংগী মনুংদা চিঙ্গাক্কী মতেং পীবা, কেস ট্রান্সফর, মালন্যুট্রিসনগী স্ক্রিনিং অমসুং ট্রিটমেন্ট, ৱাটর ট্রাকিং, ফার্মদা লোইবা শাশিংগী ওইবা চিঙ্গাকশিং সপ্লাই তৌবা য়াওরি।

প্রসিদেন্ট ৱিলিয়ম রুটোনা প্রাইভেট সেক্তর অমসুং বাইলেটরেল পার্টনরশিংদা আপিল তৌখিবদগী কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বর ফাওবদা পুমকং কংলবা কাউন্টি মঙাগী ইমুং ১৪,৩০০ গীদমক্তা ইম্মর্জেন্সি ফুদ সপ্লাইশিং থারকখি।

ঈকং থোক্লবা মফমশিংদা পায়খৎলিবা রিজিলেন্সকী থবকশিং মরু ওইনা ক্লাইমেটনা থোকহনবা ঈকংগী ফিভম অসি তোইমনবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি হায়খি।



# ইজরেল্লি সেট্টলরদা থাঙনা থিনখিবা পলেষ্টিনিয়ন হাৎখ্রে

জেরুসালেম, জনুৱারী ১২ (এজেন্সী): হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী সেটলমেন্ট অমদা ইজরেল্লি সেট্টলর অমবু থাঙনা থিন্দুনা শোকহনখিবা পলেষ্টিনিয়ন নুপা অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না ইজরেল্লি ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নাকল অনীগী মরক্তা তোইনা ইরাং থোকহনখিবা সিটি হেব্রোনগা নক্লবা এইদ-দাহিরিয়া সিটিদা লৈবা পলেষ্টিনিয়ন অদুনা সাউর্দন ৱেষ্ট বেঙ্কতা মশাগী চহী ৩০ শুরবা ইজরেল্লি নুপা অমবু থাঙনা থিনখি হায়না ইজরেলগী মাগেন দেবিদ অদোম রেস্ক্যু সার্ভিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ইজরেল্লি সেট্টলর অদু এটেক অদুদা মশাদা থাঙনা খরা শোকখি অমসুং মহাক হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি হায়না রেস্ক্যু সার্ভিস অসিনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটনা চল্লাইবা কান টি ভি ন্যুজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না এটেক্কর অদু লম্বীদা চৎপা মীচম অমনা নোংমৈনা কাপ্পদা শিখি। থৌদোক অদু হেব্রোনগা নক্লবা ইল্লিগেল আউটপোষ্ট অমা ওইরিবা য়েহুদা ফার্মদা থোকখিবনি। য়ুমশকৈশগী অঙনবদা নোর্দর্ন ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা বলাটা রিফ্যুজি কেম্পতা চথুখিবা মী ফাবগী ওইবা রেইদ অমদা ইজরেল্লি ট্রুপশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা মশাগী চহী ২১ শুরবা পলেষ্টিনিয়ন নুপা অমা শিখি হায়না পলেষ্টিনিয়ন হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

# কম্বোদিয়াদা মমাঙগী চহীদা নোংথাংনা য়ৈবদা মীওই ৬৩ শিখি

নোমপেন, জনুৱারী ১২ (এজেন্সী): কুমজা ২০২২ দা কম্বোদিয়াদা নোংথাংনা য়ৈবদা মীওই ৬৩ শিখিবগা লোয়ননা মমাঙগী চহীদা শিখিবা মশিং ৮৩ দগী চাদা ২৪ হন্থখি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা দিজাষ্টর কন্ট্রোলগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোরক্লি।

নেসনেল কন্মিটি ফোর দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট (এন সি দি এন) গী স্পোক্সমেন সোট কিম কোলমোনিনা হায়খি, মদুদি নোংথাংনা য়ৈবদা হৌখিবা চহীদা মীওই কয়া শিবদা নত্তগা অতৈ মীওই ৫০ গী মথক্তসু অশোক অপন নঙখি।

মমাঙগী চহীগা চাংদম্নবদা কুমজা ২০২২ দা নোংথাংনা য়ৈবদা শিখিবা মী মশিং হন্থরক্লিবসি মরু ওইনা মীয়াম্না অখাক অরাওগী মতমদা মখোয় করম্না মশা ঙাকথোকচগদগে হায়বগী মতাংদা এৱার্নেস হেনগৎলকপদগীনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

স্পোক্সমেন অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি নোংথাংনা য়ৈদুনা মীশি মীনাশিং থোকহন্দনবগীদমক্তা মীয়াম্না মরু ওইনা খুঙ্গংগী লমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলকপা নত্ত্রগা নোং চুরকপা মতমদা য়ুম মনুংদা নত্ত্রগা সেল্টরশিংদা লৈগদবনি। তুংদা মীশি মীনাশিং য়ারিমখৈ থোকহন্দনবগীদমক্তা মরু ওইনা অসিগুম্বা থৌদোকশিংগী ভিক্তিম মশিং খ্বাইদগী য়ামখিবা প্রোভিন্সশিংদা হাই-রিস্ক এরিয়াশিং য়েংদুনা লাইটনিং প্রোটেক্সন ইক্বিপমেন্ট ইন্সটোল তৌনবা এন সি দি এমনা থৌরাং তৌরি।

এন সি দি এমনা হাই-রিস্ক প্রোভিন্সশিংদা চৎতুনা রিভিয়ু পাঙথোকপগা লোয়ননা থাঙৈশেংনা করি করি মথৌ তাবগে হায়বদু য়েংশিনগনি অমদি প্রোভিন্সশিং অদুদা লাইটনিং প্রোটেক্সন ইক্বিপমেন্ট ইন্সটোল তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা এপ্রুভেল লৌননবগীদমক্তা লিদরশিপদা রিপোর্ট থাগনি।

স্পোক্সমেন অসিগী মতুং ইন্না নোংজু থা মনুং মেদগী ওক্তোবর ফাওবদা অখাক অরাওগী থৌদোক তোইনা থোকই। নোংথাংনা য়ৈবদগী মীশি মীনাশিং থোকপগী মথক্তা সেপ্টেম্বর অমসুং ওক্তোবরদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা নোং কন্না চুবদগী ঈশিং ঈচাও থোক্তুনসু মীওই ১৪ শিখি।

হৌখিবা চহীদা নোংলৈ নুংশিৎনা মীওই অহুম শিহনখিবগা লোয়ননা অতৈ ৭১ না অশোক অপন নঙখি হায়না ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি।



# য়ুএস শীন থুংনা টেক্নিকেলগী অশোয়বা লৈবদগী ফ্লাইট ১০,০০০ থিন্থখ্রে, ১৩০০ রোম্না কেন্সেল তৌখ্রে

ৱাশিংতন, জনুৱারী ১২ (এজেন্সী): লৈবাক শীন থুংনা টেক্নিকেলগী অশোয়বা লৈবদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা পাইরক্কদবা অমদি লৈবাক অসিদগী পায়খিগদবা ফ্লাইট ১০,০০০ থিন্থখিবগা লোয়ননা অতৈ ফ্লাইট ১৩০০ হেন্না কেন্সেল তৌখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ফেদরেল এভিএসন এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ এ এ) না হায়রি।

বি বি সিনা এফ এ এগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ফ্লাইট কয়া থিন্থখিবা অমদি ফ্লাইট কয়া অমনা কেন্সেল তৌখিবদু দেটা বেজ ফাইল দেমেজ তৌখিবদগীনি। মসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি সাইবর এটেক চথুরকখি হায়বগী ইভিদেন্স অমত্তা ফঙদে হায়নসু এফ এ এনা ফোঙদোকখি।

এয়রলাইন্সশিংনা প্লেনশিং গেট কয়াদা চঙশিন্নবা অমদি প্লেন কয়া পুথোক্লবা হোৎনরকপগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা শগোলশেল নুমিৎ ফাওবদি মখা তানা ফ্লাইটশিং থিন্থবগী ফিভম লৈরবসু তপ্না তপ্না মহৌশাগী এয়র ট্রাফিক ওপরেসনশিং হৌনবা হোৎনরি। দেনবর, এটলান্টা অমদি ন্যু য়োর্ক সিটিনচিংবা য়াওনা লৈবাক অসিগী এয়রপোর্টশিং টেক্নিকেলগী অচৌবা অশোইবা অদুনা শোকহনখি।

চহী ২০ লোমগী মনুংদা অহানবা ওইনা টেক্নিকেলগী ইস্যুশিংনা মরম ওইদুনা য়ুএসকী মফম শীন থুংনা ফ্লাইটশিং থিন্থবগা লোয়ননা ফ্লাইট কয়া কেন্সেল তৌখিবনি। প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবা ওর্দর তৌখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সপোর্টেসনগী সেক্রেটরি বুটিগিনা সি এন এনদা হায়খ্রে, মদুদি এফ এ এনা ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখিবদু রনৱেশিং থিংখিবা, ইক্বিপমেন্ট আউটটেষ্ট অমদি ফ্লাইট রুট পরিংদা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা কয়াগী মতাংদা পাইলোটশিংদা রিএল-টাইম সেফতি ইনফোর্মেসন পীরিবা এয়র মিশন্স সিষ্টেমদা নোটিস পীরবা মতুংদা ইরিগুলারিটি কয়া লৈরম্বদগী কা হেন্না চেকশিনবগী থৌওং অমা ওইনা চথুখিবনি হায়রি।

# বৃটেনদা অরোন অথুপশিং পীরম্বগীদমক ইরাননা এক্স ওফিসল অমা শিবগী চৈরাক পীখ্রে

টেহরান, জনুৱারী ১২ (এজেন্সী): ইরানগী অরোন অথুপ কয়া বৃটেনদা পীথোক্লম্বনি হায়বা ইরানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী হান্নগী ওফিসল অমা শিবগী চৈরাক পীরে হায়না লৈবাক অসিগী জুদিসরিনা লাউথোকখ্রে।

ইরানিয়ন জুদিসরিগী ৱাফম পল্লদুনা মিজান ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ইরানিয়ন ইন্টলিজেন্স মিনিষ্ট্রিনা অলিরেজা অকবরি কৌই হায়না আইদেন্টিফাই তৌখিবা হান্নগী দিপ্যুটি দিফেন্স মিনিষ্টর অদু বৃটেনগীদমক্তা ইরানগী অরোন অথুপশিং খঙনবা হোৎনখিবা, 'মালেমদা করপসন তৌবা' হায়বা ইস্লামিকপু ভাইওলেট তৌবগা মরী লৈনবা ওফেন্স অসিগা লোয়ননা মপানদা ইনফোর্মেসন পীদুনা লৈবাক্কী ইন্টর্নেল অমসুং এক্সটর্নেল সেক্যুরিটিগী মায়োক্তা থবক তৌরম্বগী মরাল শীখি। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ইরানিয়ন ইন্টলিজেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটতা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, অকবরিনা লৈবাক অসিগী অরুবা ষ্ট্রেটেজিক সেন্টরশিংদা চঙশিনখি অমসুং মরু ওইবা দেটা কলেক্সন তৌদুনা এম আই ৬ হায়নসু খঙনবা য়ুকেগী সেক্রেট ইন্টলিজেন্স সার্ভিসতা থাখি।

**ৱাদিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ হিমালয়ন জিওলোজি**

(গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী ওটোনোমস ইন্সটিট্যুসন অমা)

৩৩, জেনরেল মহাদিও সিংহ রোদ

দেহরাদুন-২৪৮০০১ (য়ু.এ.)

রিক্রুটমেন্ট/দিরেক্তর/দব্লিয়ু ঐচ জি/২০২৩-ইএসটিটি./

**এদভর্টিজমেন্ট নোটিস**

দব্লিয়ু আই ঐচ জিগী দিরেক্তরগী ফমগীদমক ইন্দিয়ান নেসনেলশিংদগী এপ্লিকেসনশিং অমসুং/ নত্ত্রগা নোমিনেসনশিং ১৩-০২-২০২৩ (অসাম, মেঘালয়া, অরুনাচল প্রদেশ, মিজোরাম, মণিপুর, নাগালেন্দ, ট্রিপুরা, সিক্কিম, য়ুনিয়ন টেরিটরি ওফ লদাখ দিভিজন, জম্মু এন্দ কাশ্মির ষ্টেট, হিমাচল প্রদেশকী চম্বা দিষ্ট্রিক্টকী পাঙ্গি সব দিভিজন অমসুং লাহাউল এন্দ স্পিটি দিষ্ট্রিক্ট, অন্দমান এন্দ নিকোভর আইলেন্দস অমসুং লক্ষদ্বিপতা লৈবা কেন্দিদেটশিংগী ওইনা ২০-০২-২০২৩ ফাওবগী মনুংদা) পীশিল্লক্নবা খঙহঞ্জরি।

দব্লিয়ু আই ঐচ জি অসি হিমালয়াগী জিও দাইনামিক্স অমসুং জিওলোজিগী এস্পেক্ট পুম্নমক্কী মরমদা এদভান্স ট্রেদরদা রিছার্স চথনবগীদমক্তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লিংখৎপা স্পেসলাইস সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স অমনি।

দিরেক্তরনা ইন্সটিট্যুট অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন কন্ট্রোল অপুম্বা পায়গনি অমসুং ইন্সটিট্যুট অসিবু অৱাংবা থাক্তা লুচিংগনি।

ক্বালিফিকেসনশিং

**ইসেন্সিএল:** আর্থস সাইন্সকা মরী লৈনবা সাইন্সতা পি ঐচ দি অমসুং দব্লিয়ু আই ঐচ জিগী ৱেবসাইটতা ফঙলিবা অকুপ্পা এদভর্টিজমেন্টতা পল্লিবা এক্সপরিয়েন্সশিং

রিক্রুটমেন্টগী মওং: দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট/দিপ্যুটেসন/কন্ট্রেক্ট/রি-এমপ্লোয়মেন্ট।

**থবক্কী মতম:** চহী ৩ দগী ৫ ফাওবা নত্ত্রগা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী রুলশিংগী মতুং ইন্না সুপরএন্যুয়েসনগী চহী য়ৌবা ফাওবা (হৌজিক্কী ওইনা চহী ৬০)

**চহীগী লিমিট:** ০১-০১-২০২৪ ফাওবদা চহী ৫৬ তগী হেন্দবা

**পেগী স্কেল:** পে লেভেল-১৫ ঐচ এ জি স্কেল অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টগী রুলশিংগী মতুং ইন্না পীবা য়াবা এল্লাৱেন্সশিং

**এপ্লিকেসন/নোমিনেসনশিং:** ফম অসিগী অকুপ্পা এদভর্টিজমেন্ট, এপ্লিকেসনগী ফোর্মেট অমসুং অতৈ অকুপ্পশিং ৱেবসাইট **www.wihg.res.in** দা ফংগনি।

থেংনা নত্ত্রগা মতম চোন্থরগা লাকপা এপ্লিকেসনশিং/নোমিনেসনশিং খন্নরোই।

এস/দি-
রেজিষ্ট্রার
দব্লিয়ু আই ঐচ জি

CBC 36122/12/0003/2223